# রারী মচা

## নুপী

### নী দেবী

নোঙান্দ্রিদৈগী চৎখিবা নুপাদুনা নুমিদাং অখেঙবদা রিক্সো তোংদুনা ঙাঙ-ঙাঙদুনা হল্লকপদু অঙাং শুল্লিবী ইবেতোন ফমুংদগী তায়। কুইরবনি মহাক্লা মখোল অমতং তাবদা না থাঙ্গৎ-থাঙ্গত্তুনা তারিবা, মাগী নুপা হল্লকপা ঙাইরক্লিবা। মানা অঙাংদু হৌরক্কদ্রা হায়দুনা তপ্না হৌগৎনবা হোৎনরিঙৈদা থোঙ্গালদগী রাজেন্না লাউরকপনা হাল্লি।

"তাব্রা-ও? তাব্রা-ও..."

"তায়য়ে তায়য়ে...।" ইমুংদগী খুন্নকই। "তারগা নপা তৌরিব্রাও?"

"... অঙাংনা য়াদদুনা তৌরি নে?"

হৌরক্লবা অঙাংদু পমখত্তুনা থোক্লক্লিবা ইবেতোনবু উবগা রিক্সো মথক্তুগী রাজেন্না হায়রকই।

"লুপা তরা পুরকউ।"

ইবেতোন লেপ্তুনা লৈ, চঙসু চঙখিদে রা'মতসু হায়রক্তে। তূম্বা থুগায়দুনা পুথোকপিরক্লবা অঙাংদু ঙেং ঙেং তৌরি। রাজেন্না খংলাউ লাউরকই, "কৈনো ননাদু তাদ্রো, লেপ্তুনা লৈরিদুবো ভারা পুরকউ হায়বনে?"

"কদায়দগী লুপা তরানো পুথোরক্কদৌরিবো" ইতপ-তপ্না খুন্নকপনি ইবেতোন্না।

"করি নচীন্দু থুগায়য়ুরা নঙ?"

রিক্সোদগী চোংথদুনা ইবেতোন্দা হোৎচিল্লকই রাজেন। মমায় খুম্বা রিক্সোৱালা অদুনা রাজেনবু মখূৎ ফাদুনা খাম্মী। রিক্সোৱালাগী মমাঙদা ইকায়বা নংলবা ইবেতোন খোঞ্জেল য়ান্না নেন্না মচীন্দা মুরুম মুরুম শোন্দুনা ময়ুল্লোমদা চঙলকই "করি থবকপু চৎলিনো রিক্সো তোংদুনকা লাক্লি... মাগী পৈশাগা য়ান্নাগ থম্বদুঙায় ইমুংসিদা ... চাম্মা চৎপী অমখক লোৎলিবসি উখ্রদি য়াররোইনা তৌবনি...।"

ইকায় ইকায় ঙশায়না তূমখ্রবা মনাউনুপী হৌদোক্তুনা মনাউনুপীদগী লুপা তরাদু লৌদুনা রিক্সোৱালাদা পীররে।

শেল হেক পীখিবগা রাজেন মন নুংঙাইনা জগোই শাগৎলকই নোক্লা নোক্লা ঈশৈ শকপা হৌরকই। "শামু মচা অমা লৈন-লৈন জগোই শাই..." জগোই শানা-শানা ঈশৈ শক্ল-শক্লা মশা অদু উরু-উরু লৈ। ঈশৈ মখা অমুক শক্লকই "নোয়-নোয় নোম-নোম জগোই শাই..." নোক নোক্তুনা মরেং ফন্দোক্তুনা মশাদু নোম্মী। জগোই শা-শাদুনা ঈশৈ শক শক্তুনা য়ূল্লোমদা চঙলকই। ইবেতোন রাজেননা চৎলী চৎলী, লেপ্পী লেপ্পী, শুক্লোক নোক্লীংদনা রাজেন্না নোকপদা মতেং পাংই" হা-হা-হা-হা, হি-হি-হি-হি।"

মাঙ্গোল কাখৎপদা রাজেন তুশিনগে তৌই। অঙাং ও কৈ-ও ইবেতোন্না ঙাকই। "য়ানি য়ানি" হায়দুনা ফিবম শেম্মী রাজেন, ইবেতোন্না ঙাকপোই ইনবোই তৌদুনা ইমুংদা চঙমিন্নরকই।

ইমুংদা, ফম্মাঙদা লেপতুনা অমুকসু জগোই শারকই, ঈশৈ শক্লকই "শামু মচা অমা লৈনা লৈনা জগোই শাই..." উরু-রু অমুক লৈ "নোম-নোম জগোই শাই...' হান্নগুম মশা নোম্মী। অমুকসু মানা নোকপদা ইকং কংনা মতেং পাংই ইবেতোন। "হা-হা-হা-হা, হি-হি-হি-হি।"

অঙাংদু পোশিল্লগা থেম থেমদুনা ইবেতোন রাজেনগী খোঙউপ লৌথোকই। ফি হোংদোকই। চাক থাংদোক্লকই। চাকচা ফিদা থাই। খূৎ হান্নবা ঈশিং লানশিল্লী।

চালুক মাঙদা খোঙ্গ্রাই চন্দুনা ফম্লগা খোঞ্জেল চাউথোক্তুনা রাজেন্না হংলকই, "করি ইনশাংনো?"

"হঙ্গামনি।"

মমায় লূকথদুনা ইনশাং য়েংলম্বা রাজেননা মঙক অদু হাইগৎখিবগা তেংকোৎ পায়দুনা লংখিবা খংহৌদে। তেংকোৎনা কাচিন্দা হান্না চেনশিনখ্রগা কোন্না রাজেন্না লাউরকই, "নোয় নপাদো নোয় নপাদো, নোয় নপা আ স্বর্গদগীদো... অদু কৌথরগা পীজৌ... হঙ্গাম, হঙ্গাম, হঙ্গাম... অয়ুক ফংঙি হঙ্গাম, নুংদাং ফংঙি হঙ্গাম, ঙারী থাকই খঙদে থাক্তে খঙদে...।"

"লৈদি লৈতনা করি...'

"হৈৎ, মসি।"

মমীৎ লংথোক্তুনা মখয়াৎ চীক্তুনা ইবেতোনগী মমায়দা খূবাক্লা থাজিল্লী। অমুক মখা তারকই,

"নোয় নপা-নমানা তম্বীরকপ্রা অদুমাইনা ঙাঙঙু হায়দুনা হঁ..., নঙ মঙায়রেনে খুম্বা হৈরিসে...।"

লুম লুম লাউবা মখূত্তুনা হাইগত্তুনা থাখিবা খূবাক্তুগী ফল অমত্তা লাক্তে। মখূৎনা খঙাইদা তপ্না অমুক্তংদি নানখি ইবেতোন, মদুদগী হেন্না করিমত্তা মোং হারক্তে।

হাইরং-হাইরং হৌগৎলক্ল গা চালুকপান্দুনা জগোই অমুক শারকই রাজেন। ঈশৈ শক্লকই। উরু-রু অমুক লৈ। মশা অদু নোম্মী। হন্দক্তি মাসু নোক্তে, ইবেতোনসু নোক্তে। জগোই শাবা ঈশৈ শকপা লোইরগা ঈংনা হংলকই "রেডিও কদায় লৈ?"

রেডিও মচা অমখক লৈবদু পুথোক্তুনা পীরবদা ফমুংদা মখোঙ য়াম্থদুনা ফম্লরে। রেডিও ঙাইহাক ওৎলম্লগা উইথরক্তুনা হীপথখ্রে। হীপথখিবগা নাখোক্লককই।

মহাক্লা তূমখিবগা ইবেতোন চঙশিল্লক্তুনা ফিভম চাদনা হীপচিনখ্রবা রজেনগী হকচাংদু ফিভম চানবা শৈঙ্লে, মখাদা য়াম্থরিবা মখোঙদু ফমথক্তা থাঙ্গৎপী মকোক্তুনা চিংশিন্দুনা মোনদা মফম চানা খাঙহল্লী। ফৈজুপ শূপচিনবী। কাঞ্জল খনজিনবী।

হৌজিক্তদা, ইবেতোনগী মীৎলুদা পিরাং ঈহৌরকই... পিরিক অমত্তং খজাইদা তপ্না চেম্থরকপদু মখূৎনা তৈথোকচৈ।

(লৈকোলদগী)

# শৈরেং

## নোংঙানবা ঙাইরিবা অহীং

*– পুখ্রম্বম নোনী*

অঙাংবা নোংজাবীনা মন্থরক্লবা পৃথিবীনা।
লোৎখি থৈথরক্লবা মতমগী তোর্বান্দা
মচু তরেৎকী শায়োন লৌরগা
মীয়াম মরক্তা।।
নোং ঙানবা ঙাইরিবা অহীংনা
থৱায় হাপ্পুনবা হোৎনরি,
অশিবগী মপৈশিংদু
তন্দল ওইন পাইথোরকখি
মশাগী হৌরকফম থিরদুনা
কুফেৎ কাফেৎ, অমম্বদা,
হঙোইনা লাকখিগনিসু পাখৎচরি
তং তানদ্রিবা পূন্সি ময়ামশিং
খরা অমনা হিংবগী
খরা অমনা নীং তম্বগী,
খোঙথাং চানদ্রবা লমজেল'সিদা
মখোয় অনী চিংখাইনরকই,
মখোয় অনী লাপথোক্নরকই।
অদুবু
নোংঙানবা ঙাইরিবা অহীংনদি
থৱায় হাপ্নবা হোৎনরি
অশিবা মপৈশিংবু।।

## লম্বীসি পীকপনি

*– ৱাহেংবম শ্যামদাস*

লম্বীসি পীকপনি
চঙলবকান্দা চাউবনি
ছঙনীংবরা নখোয়সু?
অচৌবা লম্বীসিদা
লম্বীদি চুম্বনি চুমদ্রিং
চঙল চঙলগা পাকপনি
অরোয়বদা লৈবনি
পাক্লবা নোরোক্কী কোম'মা।
তানীংবরা? তানীংদ্রবদি লাক্লনু
লম্বী সোমদা অমুক হন্না।।

## নীংশিংবা

*– সনাথোই নিংথৌজা*

নঙনদি খল্লমবা য়াই
ঐনা নঙবু কাউথোকখ্রে।
ইথক্তা কূপ্লিবা অমুবা লৈচিলশিং
অমুক্তং হাইদোকখিসনু
ঐ লাক্কে ননাক্তা
ঐনা নঙবু কাউদে তমজরনবা।

## কৈদৌঙৈ লোইগদগেনে ডিমান্দশিংসে

*– কে হরিদাস মৈতৈ*

মবুক ফত্রবা অঙাংগী নিঙাইদা
মমানা শাওনিংবগী চেম্পাকশাখৈ ফুদনা
হায়রুবদা চেম্পাক চাগে ইমা।
অহোয়ননা মথং মথং হেঞ্জিল্লকপগুম
লেন্দ ময়াম পুথোক্লগা চথাখিবশিং
ব্লোকেদ কয়াদা শিখিবা মাংখিবশিং
সেড্যুল পুথোক্লগা নৈথরকপা কয়া
অলটর্নেটিব এরেঞ্জমেন্ট ফীদা থাংদোরকখিবা
পীছ এর্কোর্ড হায়ৱে শেমলকইবা
সেভেরেন্ট কন্ট্রি হিষ্ট্রি শেমজিল্লকইবা
চুমগেরা লানগেরা ঐখোয়গী ডিমান্দা
পিদবা য়ারোই, ব্লোকেদ তোক্লোই।
লোন তিন্নদ্রবসু কলচর তোঙাল্লবসু
হিষ্ট্রিনা শাক্কিনি, মসিসু লালহনগেরা?
অচুম্বা ফোংদোকঙমদে ঙসিগী মন্ত্রিশিংনা
খংদ্রবনিনা অচুম্বশিং-থেমদুনতা লাক্লি
সোভরেন্ট কন্ট্রিবু ওইরিব্রনে থিজল্লুদে
মীখা পোল্লক্তে, লোইপোৎ পিজরগসু
ভারতকী ষ্টেট অমা ওইজরগসু
করিগী তোখায় তাবা পাল্লিবা
হংবা ঙমগদবা কনাবু লৈরিবগে?

## চেকখায়রবা খোঙনীংদা পল্লবা ঐগী খোঙ মোজা

*– মুক্তাধন হৈবীথাবম,*

লাইকোই চবাক চবাক থুংলবা
ঐগী হকচাং কয়াৎ
শম্বী শনয়ুং মফম খঙদনা
খোঙউপ তোংদ কোয়চৎ চৎপগী খূজিন
লাইপুম থুংলবা ঐগী খোঙবী
কুৎশিল্লক্লবা ঐগী মীৎ নহা অনী
চিন্তা পোৎলুম পুবদা
খজিক খজিক তাঙশিল্লক্লবা লৱাই
অসিগীসু মথক্তা শুবিদ্রবা
থৈনবদা হুং হুং লাউরবা
ঙসি শুদোক্কে, হয়েং শুদোক্কে খন্না খন্না
শুদোকঙমদ্রবা ঐগী খোঙ মোজা
অমুকসু পল্লি
চেকখায়রবা ঐগী খোঙনীংদা।।

## করিগী য়েংলক্লি

*– হিজম বিক্রম*

তাল্লবা চীংদোলদা চাক্লিবা লানমৈ নঙগী
কাথেক্লবা তাঙ্গোয় কয়ানা
ঐগী থমোয়দা পাউখোং চল্লরে।।
পাউখোং ঙমদ্রবা ঐহাক্লা
কুমগী নোংবু ৱারৌনা কৌজবা,
করিগী য়েংশিল্লক্লি ঙাঙলবা মীত্তুনা
চমজরা থমোয়সিবু চাগদবগী মতৌগুম।

## ঐ অচুম্বা পামদে

*– ব্রেজেন্দ্রো থোকচোম*

অচুম্বা পামদে ঐ
ঙসিগী খুন্নাইসিদা
হায়বীগনু ঐবু
অচুম্বনি, ইরাল লৈতে
তাইবং অসি থাদোকখ্রবা তূংদা
ঙমলোই নখোয়না
হিংহনবা ঐবু অমুক।
মিনুংশি লৈত্রবা খুন্নাইসিদা
শিরবদি মরাল লৈরবনি
লৈরবদি মরাল শিবগী
করিগী খঙহনবিদে হিংলিঙৈ?
অচুম অরানদু নত্তে
পাল্লিবদি ঐনা
হিংজবদুনি খুন্নাইসিদা
নখোয়গুম ঐসু ইনীং তন্না,
অশিবতনা লাল্লবা খুন্নাইসিদা
ঐ পামদে অচুম্বা।।

## মমশিনখ্রবা মীৎলম

***– থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ***

য়ুমশিংনা তেংথা নাওইরি পাঙ্গল য়াওদনা
চপ চপ লেপ্লি উপাল ৱাপাল
হীকথরদুনা,
করিগুম্বদা হাই হুল্লি চন্দুৱা ওইনা।
হল্লকপা লৈত্রবা মচাশিং
ঙাইরি কোম্থোংদা
থোঙজিন্দা
মমশিনখ্রবা মীৎলম্না
মৈনমগী মঙালদা
আশাগী মঙলান্দা।
মঙলানশিংনা চৎখি অমম্বদা
হল্লকপা নাইদ্রবা আশাদা।
য়ুমশিংনা শমজিন্নখ্রি উপাল ৱাপালশিংগা
অদুগা অতিয়াগা,
মঙলানশিংনা শেমখ্রি লম্বী অমা
অদুগা অতিয়াদা।

# তাবুনুংদগী

*(কবি থাংজম ইবোপীশককী শৈরেংগী লাইরিক ''মীগী মনম'' দা য়াওবা ১৯৯৯ ইখিবা শৈরেং ''গান্ধীজীগী য়োং অহুম'' ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

## গান্ধীজীগী য়োং অহুম

মহাত্মা গান্ধীজীগী
য়োং অহুম লৈরম্মী।
অহানবা য়োংনা মচীন্দা মখুৎ থম্মি।
করি হায়রিবা?
গ্যাস ফংদ্রে চাক থোংদ্রে
য়ুমগী নুপীনা লান!
অনীশুবা য়োংনা মমীত্তা মখুৎনা খুম্মি।
অদুনা করি?
এলেকট্রিক লাক্তে কেরোসিনসু ফংদে
ফংলগনা লিটরদা লূপা তরানিথোই।
অহুমশুবা য়োংনা মখুৎনা মনা পায়রি।
অদুনা অমুক করি?
ঙরাং আনোক কায়খ্রে
রাষ্ট্রপিতা ৱাকিং চৎলরোই।
অদুবু বাবুদি মপুক নুংশিৎ কায় হায়বা
নোংমতা তাখিদে।

# মণিপুরী পাঙ্খৈ -পাউরৌ, পাউতাক

**৩৯১ অরোনবা মৈগী লৈফম অফোংবা মৈখুনা তাকই।**
– লোন্না লংলা লংজিল থিরগা অশেংবা খঙদোকপা, পূক্লীংনা খনবা মায়থোঙনা তাকপা।

**৩৯২ অরৌবনা ফি কনবা**
– অরানবদি তৌখ্রবা, অচুম্বা শাশিন্নরগা অশাওবা ফোংদোকপা।

**৩৯৩ অৱা-নুংঙাই হায়বসি কনাগীসু পীবাফম নত্তে।**
– অমসু অমসু ওইবা য়াবা ফিবম, অকক্লবা অমত্তগী ওইদবা।

**৩৯৪ অৱা-নুংঙাই হায়বসি কনাগীসু পীবাফম নত্তে।**
– অমসু অমসু ওইবা য়াবা ফিবম, অকক্লবা অমত্তগী ওইদবা।

**৩৯৫ অৱা মচা লেন্না মাঙদে।**
– অৱাবা কয়া ময়োক্লরবনিনা থৌনা লৌশিং হেনগৎপা তুংদা অফবা ওইরকপা।

**৩৯৬ অৱাবা শংবাই নুংঙাইবা লাইতং**
–পুন্সি হায়বসি অৱাবনা হেল্লি, নুংঙাইবনা খজিক্তনি।

**৩৯৭ অৱাৎ অপানা হৌন খঙদবা তাহনবা**
– লৈত্রবনিনা ময়ামগা মান্নবা তৌবা ঙমদবা, পুক্লীং নুংশিবা।

**৩৯৮ অৱাবা মচাতনা অৱাবা মশক খঙই।**
– অৱাবা থেংনরবা মীতনা অৱাবা করিনো খঙই, নুংঙাইবনা অৱাবা খঙদে।

**৩৯৯ অৱা মচা লেন্না মাঙদে, নারবদি হিংদে।**
–থৌনা লিংজেন হেনগৎলবসু ৱাখিবা থবক ময়ামদুনা মশাদা লাইথুং লাকপা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

# লাইরিক্কী উন্নবা

## লাইরিক্কী মমিংঃ লোইশিন্দ্রিবা খোঞ্জেল (শৈরেং)

## অইবাঃ লোইতাম ইনাওবী

## ফোঙবাঃ নোচুপ হারম খোর্জে লূপ(নোহাখোল)

## মমলঃ লুপা ২৫০ /–

লোইতাম ইনাওবীনা ইবা শৈরেং লাইরিক 'লোইশিন্দ্রিবা খোঞ্জেল' হায়বসি অহানবা ওইনা ইং ২০১৭ দা নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহ্যখোল)না ফোঙই। লামায় ২৬০ পানবা বাংলা অমদি মৈতৈ ময়েক্তা পূন্না নম্বা লাইরিকসিগী মমলনা লুপা ২৫০/- পীরি। লাইরিকসিগী মখূন্না খুম্বোংময়ূম আশিনিকুমারনা শৈম-শাবনি। লাইরিকসিদা পূন্না শৈরেং ৮৬ য়াওরি। লোইতাম ইনাওবীনা ইরিবা শৈরেংশিংসি পারকপদা ৱাখল অমা পোকহল্লি, মদুদি অইবী শৈরেং হায়বসিবু খঙলগা শৈরেং ইরিব্রা? নত্তে, ইনাওবী শৈরেংবু মশক খঙলগা শৈরেং ইবা নত্তে, মহাকী মপূক্লিংদা লাক্লিবা ঈথক-ইপোমশিংদু ফোঙদোকপতনি, অদুগা ফোঙদোক্লিবা অদুনা মদোম শৈরেং ওইজরকপগী ৱানি। শৈরেংগী ডিফিনিসন পারগা শৈরেং ইবা য়াবা নত্তে। ডিফিনিসননা শৈরেংগী মতুং ইল্লক্কদবনি, শৈরেংনা দিফিনেসনগী মতুং ইনগদবা নত্তে। অমুকসু সাহিত্যগী টেক্সশিংবু নৈনবদা মরম চাদনা লিটরেরী মুভমেন্টদা পুশিল্লোইদবনি। মদুনা শৈরেংশিং অদুবু নৈনরকপদা ভেল্যু এসেসমেন্টদা অশোয়বা থোকহল্লি। লিটরেরী মুভমেন্ট হায়বসিদি অকক্লবা মতম অমা ওল্লক্লিবা সমাজগী য়াওনগা লোয়নজরকপনি। মতম পূম্বদা হোংদনা লৈবা নত্তে। অদুবু শৈরেংদি মতম পূম্বদা শৈরেং ওইদুনা অদুম লৈ। লিটরেরী মুভমেন্টনা সাহিত্যগী টেক্স পূম্বা কোনশিনবা ঙম্বা নত্তে। সাহিত্যগী টেক্স অমা হায়বসিদি য়ান্নমক মনীং তমই অদুগা লিটরেরী মুভমেন্ট হায়বসিদি ঙমখৈ অমগী মনুংদা লৈবনি। ইনাওবীগী শৈরেংশিং অসি পারকপদা মীওইবগী পুন্সি অসিদা খেন্নবা পূক্লিংগী ইথিলশিংনা মীৎ মাঙদা শক্তম পান্দুনা শানরিবা তাইবঙ লীলা অসিবু করিনো খলহল্লি। নুংশিবা অমসুং অপাম্বা অনী অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীনা করিনো? নুংশিবা য়াওদবা অপাম্বা লৈবা য়াব্রা নৎত্রগা অপাম্বা য়াওদবা নুংশিবা? অনীসিগী খল অসিনা কদায়দা শেল্লিবা? অদুবু তাইবঙপানবদা মীওইনা পোক্লবা কনানা অপাম্ববু থাদোকপা ঙম্বগে, নুংশিববু কাওথোকপা ঙম্বগে? অপাম-নুংশি হেকমক থাদোকপা ঙম্নবদি মীওইবনা কৈদৌবগী ৱাজরুগদগে? অপাম্ববু তান্নবদা, নুংশিববু ফংননবা হোৎনবদনি মীওইবনা তাইবঙপান অসিদা অসুক ৱারিবসি। কবি ইনাওবীসু মহাক্কী শৈরেং কয়ামুক্তা নুংশিববু থম্মোয়নুংদা লাৎচবগী মতৌ অসি উবা ফংই। তাইবঙপানবদা লৈরিবা খুদিংমকসিদগী নুংশিবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অথোইবনি লৌই– "তৎখ্রবসু মপাম্থোংগী নুংশি ঈচেল /লৈহৌগনি নুংগী ঈচেলদি চন্দ্রনদীগুম/ নীংশিংগনি শক্তম, থৱায়না হকচংগা শেৎনদ্রিমখৈ/ থদৎপা ঙল্লোই কনানসু, নুংশি মরী ইবান্নীগী/চহী কয়া, মীরোল কয়া হৌখ্রসনু/ঙল্লোই মরী তৎনবা/ লেঙদনা লৈহৌগনি অশেংবা নুংশিবা, /খঙজসনু তাইবঙদা নুংশিবগীমগুন।" (লাঃ ১০৩) নুংশিবা লৈবনা তাইবঙ পানবসি লৈবনি কবিনা হায়রি।

**আর জে মীতৈ**

# চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ (থৌরমশিং)

**জুন ৪, ২০১৭ নোংমাইজিংঃ–**

রিন্দা পব্লিকেসন্স, রিন্দা লাইব্রেরী এন্দ প্রিজার্বেসন ফাউন্দেসন, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফালনা শীন্দুনা পব্লিকেসন অসিগী ১০৩ শুবা লাইরিক "মণিপুরীদা পুন্সি ৱারীগী সাহিত্য" হায়না মিংথোনবা নৈনা ৱারেংগী লাইরিক অমা দেব লিটরেচর সেন্তর, দি এম কলেজ ইম্ফালগী কমপ্লেক্সতা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা অথোইবা লেঙবীরকপনা ফোঙদোকখি।

লাইরিক অসিগী অইবনা ডা. থোকচোম ইবোহনবী সিংহ, হেদ মণিপুরী দিপার্টমেন্ট দি এম কলেজ ওফ আর্টসনি।

পব্লিকেসন্স অসিগী ১০৩ শুবা লাইরিক অসি ফোঙদোকপগী থৌরমদা প্রো. এন খগেন্দ্র সিংহ, সাহিত্য অকাদেমী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ৱিনর অদুগা হৌজিক হৌজিক্লা ভাইস চাঞ্চেলর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমসুং প্রো. হুইরেম বেহারী সিংহ, কনভেনর, এডভাইজরি বোর্ড (মণিপুরী), সাহিত্য অকাদেমী, লোয়ননা প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, রিটায়র্দ প্রোফেসার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, শ্রী লোংজম জয়চন্দ্র সিংহ, রেজিষ্টার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমসুং শ্রী অরাম্বম বিরেন সিংহ, সাহিত্য অকাদেমী এৱার্ডিনা মথংশিৎনা অথোইবা লেঙবীরকপা, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা লেঙবীরকপশিং ওইনা দাইজদা লেঙশিন্দুনা অথোইবা লেঙবীরকপনা মীয়ামদা লাইরিক অসি হৌনবী মতুংইন্না ফোঙদোকখি।

(প্রবিন হাওবম)